# ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা অর্জুন এৱার্দকীদমক স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স টিমদা শান্নরিবী ঙাঙোম বালাগী মমিং থাগৎখ্রে




ন্যু দিল্লি, মে ১২ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী মায়কৈদগী কুমজা ২০২০গী ওইনা ফুটবোল মশান্নগী ওইবা লৈবাক অসিগী চহী খুদিংগী পীবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা অর্জুন এৱার্দকীদমক হৌজিক হৌজিক স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লবতা শান্নরিবী ঙাঙোম বালাগী মমিং থাখ্রে।

এ আই এফ এফনা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয় ঙাঙোম বালাগী মমিংদা নত্তনা ইভেন্ট অসিগী ওইনা অর্জুন এৱার্দকীদমক ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা সেন্ত্রেল দিফেন্দর অমা ওইনা থৌদাং লৌরিবা সন্দেস জিঙ্গমগী মমিংসু থাগৎখিবনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী চহী অসিগী ওইনা অর্জুন এৱার্দ ফংবা য়াবা শান্নরোয়শিংগী লিষ্ট শেমগৎননবা মাঙজৌননা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী দিফেন্দর অমা ওইনা শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা ইন্দিয়ানা শান্নবা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ফ্রেন্দলি মেচশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মহাক্কী গোল পোষ্ট মনুংদা পাঞ্জল চঙহন্দবা ঙমদুনা অফবা দিফেন্দর অমা ওইবগী থৌদাং লৌখি।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পীরকপা চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না চহী অসিগী ওইবা শান্নবগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদু মপূং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক্তা মশান্না কয়াগী ইভেন্টশিংদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা ইন্টরনেসনল অমদি নেসনলগী থাক্তা মকোক থোংবা ঙম্বা শান্নরোয়শিং খনগৎতুনা শেম শারি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌদাং লৌরিবা কুসল দাসনা ফোঙদোকখিবদা দিফেন্দর সন্দেস জিঙ্ঘাম অমদি নুপীগী মায়কৈদা ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা শরুক য়ারিবী হৌজিক হৌজিক্লা স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লবতা শান্নরিবী ঙাঙোম বালাগী মমিং থাগৎলকপনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী অর্জুন এৱার্দকীদমক্তা মশান্না অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী শান্নরোয় অনী তোঙান তোঙাননা প্রোজেক্ট তৌবনি। মদুদা নুপীগী মায়কৈদা হৌজিক হৌজিক্লা স্কোটলেন্দদা লৈরিবী ঙাঙোম বালানা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমা ওইবগীদমক্তা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা পীগদৌরিবা অর্জুন এৱার্দকীদমক্তা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা মমিং থাগৎখিবনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুসল দাসনা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সি অমগা ৱারী শানবদা ফুটবোল মশান্নগী ওইনা অর্জুন এৱার্দকী মমিং থাগৎপদা নুপীগী ওইনা ঙাঙোম বালা অমসুং নুপাগী মায়কৈদা সন্দেস জিঙ্ঘানগী মমিং থাগৎখিবনি।

অর্জুন এৱার্দতা ফুটবোলগী নুপাগী খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয় খনবগী পরিংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ইন্দিয়াগী হৌজিক হৌজিক লৈরিবা নুপাগী ফুটবোল টিমগী দিফেন্দর অমা ওইরিবা সন্দেস জিঙ্ঘামগী মমিং য়াওখিবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী লৈঙাক্না পীবা তোঙান তোঙানবা শান্নবগী ইভেন্টশিংগী মনুংদা নুপীগী ফুটবোলগী ওইনা খ্বাইদগী ফজৈ হায়দুনা হৌজিক হৌজিক স্কোটলেন্দদা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী শান্নরোয় অমনা য়ুরোপতা পাঙথোকপা লীগ টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙম্লিবী ঙাঙোম বালাগী মমিং য়াওরি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী প্রেসিদেন্ট প্রফুল পটেলগী লুচিং মখাদা কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ানা মপূং ফানা চহী ১৭ মখাগী নুপাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ূম্থু ওইখিবনি।

ফুটবোলগী ওইনা এ আই এফ এফনা মশান্না অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী খ্বাইদগী ফজবা কুমজা ২০১৯গী শান্নরোয় খনগৎপদা সন্দেস জিঙ্ঘান অমসুং ঙাঙোম বালাগী মমিং য়াওরকপনি। ঙাঙোম বালা হৌজিক হৌজিক স্কোটলেন্দদা লোকদাউননা মরম ওইরগা হল্লকপা য়াদনা লৈরি।

# ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটিংগী নুপীগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন সাইখোম মিরাবাই চনুনা টি ও পি এস কম্মিটিদা অখন্নবা কোচ পীবিনবা ফোঙদোরক্লি




ন্যু দিল্লি, মে ১২ (এজেন্সী):
মালেমগী নুপীগী ৱর্ল্ড ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী মণিপুরদগী হৌখিবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা মখা তাবা মহাক্কী তোঙান তোঙানবা কোম্পিটিসনশিং শরুক য়ানবগীদমক্তা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্নবগীদমক টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টোপস) কম্মিটি অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা অখন্নবা কন্দিসনিং অমসুং ষ্ট্রেঙথকী কোচ অমা পীবিনবা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে।

মশাগী চহী ২৫দা ঙাইরিবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি কম্মনৱেলথকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবী ৱেটলিফটর ওইরিবী ইন্দিয়াগী মণিপুরী মচা সাইখোম মিরাবাই চনুনা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা ওলিম্পিক গেমসতা মেদল পুরকপা ঙম্নবগীদমক্তা শেমখিবা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টি ও পি এস) দা ইন্দিয়ন ৱেটলিফটিং ফেদরেসনগী খূত্থাংদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা ষ্ট্রেঙথ অমদি কন্দিসনিংগী তোঙানবা মপান লমগী কোচ অমা পীবিদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী ওলিম্পিক্তা গোল্ড মেদল লৌনবগী পান্দমদা হায়বা লৈখি।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী মার্চ থাগী ২৫দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবগী হীরম খুদিংমক অথিংবা থমখিবনি। অথিংবা অসিদা শান্নবগী দিসিপ্লিন খুদিংমক্কী শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী ত্রেনিং সেন্টর অমদি কোম্পিটিটিভ ওইবা টুর্নামেন্ট অমত্তা পাঙথোকপা য়াহন্দবগী কাঙলোন থমখি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা লোকদাউনগী খোঙজং অসি অহুন্নকশুবা ওইনা থমদুনা থা অসিগী ১৭ ফাওবা লোকদাউনগী চৎন-কাঙলোন থম্লি।

মরক অসিদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরক্লবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা হৌখিবা চহীদা মশাগী খ্বাংগী শরুক্তা অনাবা লৈবদগী মতম শাংনা শান্নবা অমদি ত্রেনিং চৎখবা য়ারুদ্রবা মতুং নৌহৌননা মশা ফগৎলক্তুনা ওলিম্পিক গেমস শরুক য়ানবগী অচৌবা ৱাখল্লোন থল্লকপগা মরী লৈননা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমগী কম্মিটিদা মিরাবাই মশামক্লা কন্দিসনিং অমদি ষ্ট্রেঙথকী ত্রেনিং চৎখবা য়াহনবীনবা ৱাফম ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৮দা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ূম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেলথ গেমসতা সাইখোম মিরাবাই চনুনা কম্পিটিসন্দা শরুক য়ারকপদা শোয়বদগী মশাগী খ্বাংগী শরুক খরা অনাবা লৈখিবনি।

সাইখোম মিরাবাইগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল কোষ্ট কম্মনৱেলথ গেমসদা মশা শোকখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৮গী এসিয়ন গেমস অমসুং ৱর্ল্ড ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা মহাক মশামক্কী অশোকপা অদুনা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

সাইখোম মিরাবাই চনুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শান্নবগী হীরম খুদিংমক্তা অথিংবা থল্লবসু সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্না পাঙথোকপা য়াবা ৱেটলিফটিংগী ওইনা ত্রেনিং মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী অয়াবগী মতুংইন্না চৎখবা পাল্লি হায়খি।

ৱেটলিফটরশিংগী ওইনা ত্রেনিং চৎখবা মতমদা তোঙান তোঙান্না লৈরিবা ৱেট কেটেগোরিশিংদা মালেমগী ওইবা টুর্নামেন্টশিং অমদি অতোপ্পা ইন্টরনেসনল কোম্পিটিসনশিংদা শরুক য়ানবগীমক্তা ত্রেনিং চৎখবা য়াম্না মথৌ তাই হায়না মিরাবাই চনুনা ফোঙদোরকখি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চাউনা চৈথেং পীরিঙৈ মনুং অসিদা শান্নবগী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা মকোক থোংলিবা শান্নরোয়শিংসু মশা মশাগী ময়ূমদগী হেন্দোকপা য়াদনা য়ূমদা শেমজবা পোৎলমশিংনা ত্রেনিংগী মরুওইবা পোৎলমশিং ওইরি। ইন্দিয়ন ৱেটলিফটিং ফেদরেসনগী চীফ সেক্রেটরি সহাদেব য়াদবনা ফোঙদোরকপদা অথুবা মতমদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা পূল্লগা শান্নরোয়শিংগী ওইবা তোপ তোপ্পা কাঙলোন অমা শেম্নবা থবক চৎথরি হায়খি।

# নুপীগী ও দি আই ৱর্ল্ড কপ অমসুং নুপাগী চহী ১৯ মখাগী ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং মেচশিং মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে




দুবাই, মে ১২ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী) না ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০২১ ৱিমেন্স ৱান দে ইন্টরনেসনল ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং মেচশিং য়ৈথোকখ্রে অমসুং কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদবা নুপাগী চহী ১৯ মখাগী ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং মেচশিং অদুসু মখা তানা য়ৈথোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী নুপীগী ৱান দে ইন্টরনেসনল ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবগীমক্তা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট চহী অসিগী জুলাই ৩দগী ১৯ ফাওবা শ্রী লঙ্কাদা পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্লম্বা নুপীগী ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্ট অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখিবনি। ৱারেপ অসি ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপনি।

শ্রী লঙ্কানা য়ূম্থু ওইরগা চহী অসিগী জুলাই ৩দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা আই সী সী ৱিমেন্স ৱান দে ইন্টরনেসনল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদুদা য়ূম্থু শ্রী লঙ্কা, বাংলাদেশ, আয়রলেন্দ, নেদরলেন্দস, পাকিস্তান, থাইলেন্দ, য়ু এস এ, ৱেষ্ট ইন্দিজ, পাপুৱা ন্যুজিনি অমসুং জিম্বাবৱেগী টিমনা শরুক য়াগনি হায়না শীল্লম্বনি।

হায়রিবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদগী মকোক থোংবা টিম অহুমনা কুমজা ২০২১দা ন্যু জিলেন্দনা য়ূম্থু ওইরগা পাঙথোক্কদবা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামন্টেতা ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা আই সী সীগী ৱিমেন্স ও দি আইগী ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং মেচশিং য়ৈথোকখ্রবা মতুং কাউন্সিল অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা লায়না লাইচৎ অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি লাকশিনবা ঙম্বগী ৱারোল লৈবাক শীনবা থুংনা ফোঙদোক্লরকপা মতমদা পাঙথোক্কনি। মতম অসি কুমজা ২০২২গী হৌরকপদা ওইবা য়াই হায়খি।

অমরোমদা, নুপাগী চহী ১৯ মখাগী ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদুসু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা অরেপ্পা মতম অমা খঙদ্রিফাওবা শান্নররোয় হায়না ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি, চহী ১৯ মখাগী আই সী সী ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা অফ্রিকাগী ওইনা ওগষ্ট ৭তগী হৌগনি হায়না পান্দম থল্লম্বনি। এসিয়াগী ওইনা থাইলেন্দদা দিসেম্বর ১দগী হৌগনি হায়না আই সী সীগী ৱারেপ লৈখিবনি।

# জুন থাদা হৌনবা লেপ্পরিবা লা লীগাগী মরুওইবা টিম রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিং ত্রেনিং চৎখবা হৌখ্রে



মাদ্রিদ, মে ১২ (এজেন্সী):
স্পেনগী ফুটবোলগী লম্দা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগাগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌখিবা মার্চথাগী ময়ায়দগী লোকদাউন থমদুনা শান্নবগী ইভেন্ট পূম্নমক লেপ্তুনা লৈরিঙৈ রিএল মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিং মমাঙদা ক্লব অসিগী মেনেজমেন্টকী মায়কৈদগী জুন ২২দগী ত্রেনিং চৎখবা য়াগনি হায়খিবা অদুগী মাঙওইননা ঙসি রিএল মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিংনা মাঙজিল থাবদা টিম অসিনা মখা তাবা টুর্নামেন্টকী মেচশিং লম্বা তৌনবদা শেম শানবগীদমক্তা ত্রেনিং চৎখবা হৌখ্রে।

নাকল অমরোমদা, স্পেনগী মমিং লৈরবা ক্লব রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী কোচকী থৌদাং লৌরিবা জিনেদাইন জিদেন অমদি অতোপ্পা টিম অসিগী শান্নরোয়শিংনা চয়োল ৯গী ওইবা ত্রেনিং চৎখবা অদু মশাগী ময়ূম-ময়ূমদগী চৎখবগী রিপোর্টশিং অদু লৌখৎতুনা এনালাইস তৌরি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মশীং য়াম্লবা মীওই কয়াগী থৱায় মাঙখ্রবা মতুং নৌনা কেস কয়া অমা লাক্লবসু শান্নবগী ইভেন্টশিং অসি ভাবক য়াওদনা শান্নবা য়ানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎনরক্লি। মসিদা স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট লা লীগাগী মায়কৈদগীসু লেমহৌবা মেচশিং য়ৈথোকপগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরক্লি।

অতোপ্পা পাউ অমদা লা লীগাগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা বার্সেলেনাগী মরুওইবা ষ্ট্রাইক্কর অর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা মহাক্কী মরমদম অর্জেন্টিনাদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লান্থেংনবা হোৎনবগীদমক্তা য়ু এস দোল্লর ৫৪০,০০০ রোমগী শেলগী মতেং পীখ্রে হায়না অর্জেন্টিনাদা লৈবা বিনোস আইরেস বেজ ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ফাউন্দেসন অসিগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর সিলভিয়া কসাবনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না অর্জেন্টিনাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লান্থেংনবগী হোৎনরিবা থবক থৌরমশিংদা লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় লিওনেল মেসিনা পীরকখিবা শেলগী মতেং অদুনা অচৌবা কান্নবা ফংলগনি। লোয়ননা মহাক্লা শেলগী মতেং পাংলকখিবা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। পনবা য়াই, এপ্রিল থাদা মেসি অমদি মহাক্কী বার্সেলোনাগী টিমমেটশিংনা থাগী তোলোপ চাদা ৭০ হন্থরগা মতেং পাংবা লৈখ্রবনি।

# ফ্রান্সকী লিওন ৱিমেন্স ফুটবোল টিমনা ফ্রেন্স লীগ টাইটল ১৪রকশুবা ওইনা থংনা-থংননা লৌবা ঙমখ্রে




পেরিস, মে ১২ (এজেন্সী):
ফ্রান্সকী নুপীগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফ্রেন্স লীগতা মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা লিওন ৱিমেন্স ফুটবোল ক্লবপু কুমজা ২০১৯-২০ ফুটবোল সিজনগী ১৪রকশুবা থংনা-থংনবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ফ্রান্স লৈবাক্তা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা শান্নবগী হীরম খুদিংমক্তা অপনবা পীদনা হান্না শান্নরম্বা লীগ টুর্নামেন্টশিং অমদি শান্নগদবা টুর্নামেন্ট খুদিংমক য়ৈথোকপা অমদি লেপখিবনা মরম ওইদুনা শান্নরোয়শিংদা চৈথেং পীখি।

মরক অসিদা ফ্রান্সকী নুপীগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফ্রেন্স ৱিমেন্স ফুটবোল লীগকী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা ক্লব ওইরিবা লিওননা হৌখিবা লীগ অসিগী টুর্নামেন্ট ১৩ টাইটল লৌদুনা লাকখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৯-২০গীসু লীগকী মখা তাবা মেচশিং লোইশিন্দ্রবসু টিম অসিনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা অদুদগী পোইন্ট য়াম্না হেন্দুনা লৈখিবদগী টাইটল ফংখি।

লিওন ৱিমেন্স ফুটবোল ক্লব অসি কুমজা ২০০৭তগী হৌরগা ফ্রান্সকী ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল অসি লেপ্তুনা ফংদুনা লাকখি। মসিদসু নত্তনা য়ুরোপকী ৱিমেন্স চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হৌখিবা টুর্নামেন্ট মরিগীসু টাইটল লৌদুনা লাকখি।

ফ্রান্সতা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চকী ময়ায় চনশিল্লকপদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবগী ইভেন্ট পূম্নমক লেপ্তুনা লোকদাউন থমখিবনি। মতম অদুদা লিওন ফুটবোল ক্লবনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা পেরিস সেন্ট জর্মেন্দগী পোইন্ট অহুম হেন্দুনা লৈখি।

হৌখিবা থাদা ফ্রান্সকী প্রাইম মিনিষ্টর ইদৱর্দ ফিলিপনা লাউথোকখিবদা লৈবাক অদুগী প্রোফেসনেল স্পোর্টস ইভেন্ট পূম্নমক সেপ্টেম্বর থা ফাওবা পাঙথোকপা য়ারোই হায়খিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর ইদৱর্দ ফিলিপনা লাউথোকখিবা অদুগী মতুংইন্না ফ্রান্সকী নুপাগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লিগে ৱান অমসুং লিগে টু দিভিজনগী মেচ পূম্নমক কেন্সেল তৌখি।

নুপাগী কাঙলূপতা লিগে ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা মমিং লৈরবা ব্রাজিল মচা নেমার য়াওনা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা লৈরবসু পেরিস সেন্ট জর্মেননা মমাঙদা শান্নখিবা লীগ মেচশিংদা ফজবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

পি এস জিনা লিগে ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টতা নত্তনা লিগে টুগী টাইটলসু লৌবা ঙমখি।

# মেজর লীগ বেজবোল টিমগী মপুশিংনা শান্নরোয়শিংগী কুমজা ২০২০ সিজন হৌবগী ৱারোলশিংদা অয়াবা পীখ্রে : রিপোর্ট



ন্যু য়োর্ক, মে ১২ (এজেন্সী):
য়ু এস এগী মমিং লৈরবা মশান্নগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা বেজবোলগী ওইনা মেজর লীগ বেজবোল টিমগী মপুশিংনা মশান্না অসিগী লেমহৌবা টুর্নামেন্টশিং চহী অসিগী জুলাই থাগী অঙনবা শরুক্তা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লৈরবসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা পাঙথোক্লনবা শেম শাবদা অয়াবা পীখ্রে।

পনবা য়াই, মেজর লীগ বেজ বোল টুর্নামেন্ট কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা হৌখিবা থা অনী মেচ অমত্তা শান্নদনা লাকখিবনি।

নৌনা য়ু এস এদা পাঙথোক্কদবা মেজর লীগ বেজবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হান্না লৈরম্বা মেচ মশীংশিং অদু হন্থদুনা মেচ ৮২দা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। মসিদসু নত্তনা বেজ বোল টুর্নামেন্ট অদুদা লম্বা তৌনবা টিমশিংনা হান্না লৈরম্বা শান্নবগী মতম অদুদগী পুঙ্খায় অমা হন্থনা শান্নগদৌরি। হায়রিবা ৱাফম অসি প্লেয়রস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী অয়াবা পীরল্লবা মতুংদা থবক ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়রি।

ঙসি অঙনবদা স্পোর্টসকী মমিং লৈরবা ব্রোদকাষ্টরশিং (ঈ এস পি এন, য়ু এস এ টুদে, এথলেটিক্স এন্দ এন বি সী স্পোর্টস) কী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা য়ু এস এদা পাঙথোকপা স্পোর্টস টুর্নামেন্ট কম্মিটি অমসুং তোঙান তোঙানবা এথলেটিক্স অমদি এন বি সী স্পোর্টসকী পাউদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মেজর লীগ বেজবোল টিমগী মপুশিংগা টেলিভিজন ব্রোদকাষ্ট কম্পেনিশিংগা অকক্লবা য়ানবা অমা ঙসি অথেংবদা ফোঙদোক্লক্কনি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

য়ু এস এগী মেজর লীগ বেজ বোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংনা ক্লব অদুগী মনুং চন্না লৈরম্বা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা ক্লবকী ত্রেনিং চৎখবা মতমদা রিপোর্ট তৌদ্রবদি শান্নরোয়শিং অদু মশা মশাগী কাদা সেল্ফ ক্বারন্টিন তৌদুনা থমগদবনি হায়রি।

য়ু এস এগী বেজবোল টুর্নামেন্টশিংগী শান্নবা অমসুং য়ৈথোকপগী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা য়ু এস লৈঙাক্লা লৈবাক অদুদা অতোপ্পা সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বগা লোয়ননা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিগী মতুংদা লৈবাক অদুগী মেজর লীগ বেজবোল টিমনা য়ু এস এগী টিম অদুবু মখা তাবা মেচ শান্নবগী ৱারেপ লৌখি। অদুবু, ইন্টরনেসনল বেজ বোল ফেদরেসননা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা লোকদাউন মনুংগী টুর্নামেন্টতা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিং অদুগী শান্নরোয়শিংবু মতেং পাংনবগীদমক্তা শেলগী মতেং পীগনি হায়না চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ২০২০দা টুর্নামেন্ট মায় পাক্লা শীনবগী কাঙলোন পূম্নমক লৈরে হায়খি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com